মণিপুর গোভর্নমেন্ট

মণিপুরগী গোভর্নর

# ডাঃ নজমা হেপতুল্লা না

ফেব্রুৱারি ৩, ২০২১ দা

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীদা
পীবা

# ৱারোল

মণিপুরগী গোভর্নর

# ডাঃ নজমা হেপতুল্লা না

ফেব্রুৱারি ৩, ২০২১ দা

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীদা
পীবা

## ৱারোল

**ইকাইখুম্নজরিবা স্পীকর অমদি ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং,**

১. ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১২শুবা সেসন অমদি ইং ২০২১গীনা অহানবা সেসন অসিদা ঐহাক্না পুন্নমকপু তরাম্না ওকচরি।

২. অনৌবা চহি অসিনা পুন্নমক্কী মফমদা হরাও-তয়াম্বা অমদি নুংঙাই য়াইফবা পুরক্কগনি হায়না ঐহাক্না আশা তৌজে। ঐহাক্না অমুক পঞ্জদ্রগসু কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চহী অসি মালেমগী ওইনা খুদোংচাদবা মায়োক্নখিবা চহী ওইখি।

৩. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, হেক হৌবদগী হৌনা রাজ্য সরকারনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ ঙাকথোক্নবা অমদি লান্থেংননবা অহেনবা মিৎয়েং চঙদুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

**কোভিদ-১৯ লাইচৎ অমদি ইরোমদোম লেপচবা**

৪. ইং ২০২০গী জানুৱারী ৯দা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না চাইনাগী ৱুহান্দা কোরোনাভাইরসকা মরী লৈনবা ন্যুমোনিয়াগী মশক মওং খঙদ্রিবা লাইনা অমা লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং থেংথবা তৌদনা ঐহাক্কী সরকার অসিনা, ইম্ফাল এ্যারপোর্টতা ইন্টরনেস্নেল ফ্লাইটশিং লৈত্রবসু, জানুৱারী ১৮দগী হৌনা ফ্লাইটতা লাকপা পেসেঞ্জরশিং স্কৃনীং তৌবা হৌহনখি। ভারতা কোভিদ-১৯গী অহানবা কেস জানুৱারী ৩০দা থেংনখি।

৫. কংফালগী লম্বীদা চঙলকপশিং, মাও অমদি জিরিবামদা হাংদুনা থম্বা এন্ট্রি পোইন্টশিংদা জানুৱারী ৩১দগী স্কৃনীং তৌবা হৌখি অমদি পূং ২৪ চুপ্পা মথৌ তৌবা কন্ট্রোল রুম নম্বর অমসু হাংদুনা থমখি। নুমিৎ অসিমক্তদা ইতিহাসতা ৬শুবা ওইনা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না গ্লোবেল হেল্থ ইমরজেন্সি লাউথোকখি। মার্চ ১০দা ইন্দো-ম্যানমার বোর্দরদা লৈবা মোরে, তুসোম, নম্বিসা অমদি বেহিয়াংদা লৈবা বোর্দর গেটশিং থিংজিনখি। মার্চ ১১দা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না কোভিদ-১৯ অসি মালেমগী ওইবা লাইচৎ অমনি হায়না লাউথোকখি।

৬. ঐহাক্কী লৈঙাক্না আইসোলেসন ৱার্দ, ক্বারেন্টিন সেন্তর, কোভিদ ক্যার সেন্তর অমদি দেদিকেটেদ কোভিদ-১৯ ট্রিটমেন্ট ব্লোকশিং লিংনবা খোঙথাংশিং লৌখৎখি। ঐখোয়না ইন্সটিট্যুস্নেল (লৈঙাক্কী) ক্বারেন্টিন সেন্তর, কম্ম্যুনিটি ক্বারেন্টিন সেন্তর, পেদ ক্বারেন্টিন সেন্তরশিং অমদি হোম ক্বারেন্টিন কয়া লিংখৎখি। রিমস অমদি জেনিমসকী ভিঃদিঃআরঃএল অসি টেষ্টিংগীদমক আইঃসিঃএমঃআর না অয়াৱা পীখি।

৭. দি মণিপুর ইপিদেমিক দিজিজেজ কোভিদ-১৯ রিগুলেসন্স, ২০২০ শেমদুনা নোটিফিকেসন থোকখি। স্কুল অমদি হোস্টেল পূন্নমক থিংজিন্নবা মার্চ ১২দা ওর্দর থোকখি অমদি মথংগী

নুমিত্তা য়ুনিভর্সিটিশিং য়াওনা লৈঙাক্কী অমদি লন্নাইগী হায়র ইজুকেসন ইন্সটিট্যুসন পুন্নমক্তা ক্লাস চথবা লেপহনবগী খোঙথাং লৌখৎখি।

৮. মার্চ ২১দগী, ইম্ফাল সহরদা লৈরিবা ইমা কৈথেলশিং অমদি টেম্পররি মার্কেট থিংজিনখি। মার্চ ২২দা, ইকাইখুন্নজরিবা প্রধান মন্ত্রিনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইল্লদুনা লৈবাক পূম্বদা পূং ১৪গী ওইবা ভোলুন্টরি জনতা করফিউ পাঙথোকখি। নুমিৎ অদুমক্তদা অমদি মিৎকুপ অদুদগী হৌদুনা, করফিউ অদু মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তসু চথখি। আইঃএলঃপি পর্মিট পীবগী থবক লেপখি। রাজ্য অসিগী ঙমখৈদা লৈবা গেটশিং মার্চ ২৩দগী হৌনা থিংজিনখি।

৯. মণিপুরদা, অহানবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস, মার্চ ২৩দা, ইউঃকেঃ দগী হল্লকপী চহী ২৩ শুরবি নুপী অমদা থেংনখি। মহাক জেনিমসতা মায় পাক্লা লায়েংলবা মতুংদা দিসচার্জ তৌখি। মার্চ ২৪দা ইকাইখুন্নজরিবা প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক পূম্বদা নুমিৎ ২১নিগী লোকদাউন লাউথোকখি।

১০. কোভিদ-১৯ লান্থেংনবগী তোঙান-তোঙানবা থবকশিং মপূং ওইনা য়েংশিন্নবা অমদি নোংমগী হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিংনচিংবা মীয়ামদা শোয়দনা ফংহন্নবা মিনিষ্টরশিং দিষ্ট্রিক্ট-ইন-চার্জ ওইনা হাপখি।

১১. কোভিদ-১৯গী মতম-মতমগী ওইনা ফিভম চাং নাইনা য়েংশিন্নবা অমদি পোলিসি গাইদেন্স পীনবা ইকাইখুন্নজরিবা চিফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা কোভিদ-১৯গী '**ষ্টেট কন্সলটেটিভ কম্মিটি**' শেমখি। লাইচৎ অসিগী থবক-থৌরমশিং মপূং ফানা য়েংশিন্নবা অমদি শিল্লি-লাঙলিবশিং তেংবাংনবা চিফ সেক্রেটরিনা মকোক ওইবা **কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স** সু শেমখি। মেদিকেল সপ্লাইশিংগী তঙাইফদবশিং য়েংশিন্নবা অমদি মথৌ তাবা পোৎলমশিং লৈবগী থবক-থৌওংশিং য়েংশিন্নবা '**কোভিদ-১৯ মেদিকেল মেটিরিয়েলস মেনেজমেন্ট কম্মিটি**' শেমখি। মেদিকেল সপ্লাই তৌনবগী লৌরিবা পোৎলমশিংগী ক্বালিটি চেক তৌনবা অমদি তঙাইফদবশিং মশক খঙদোক্কুনা অয়াবা পীনবা '**ষ্টেট টেক্নিকেল কম্মিটি**' সু শেমখি।

১২. মতম-মতমগী ওইনা মথৌ তাবা এসঃওঃপি শিং, গাইদলাইন অমদি প্রোটোকোলশিং ইসু তৌখি। প্রোটোকোলগী মতুংইন্না কন্টেনমেন্ট জোনশিংসু লাওথোকখি।

১৩. আইঃসিঃএমঃআর গী গাইদলাইনশিংগী মথক্তা, ঐহাক্কী লৈঙাক অসিনা য়াম্না অচেৎপা চাংয়েং তৌবগী চৎনপথাপ অমা চৎনখি। মপান্দগী লাকপা রাজ্য অসিদা চঙলকপা মীওই খুদিংমক আরঃটি-পিঃসিঃআর নত্ত্রগা ট্রুনেট টেষ্টিং শুকশোয় শোয়দনা তৌহনখি। অপূনবদা, মীওই